# এম এল এ ইন্দ্রজিৎনা ওক্সিজেন সিলিন্দর য়াওনা মেদিকেলগী পোৎলমশিং খূৎশিন্নখ্রে




ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস): ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মীয়ামবু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোক্লনবা অমদি তোঙান তোঙানবা ক্লবশিংনা লায়না-লাইচৎ অসি থেংনবদা মতেং ওইনবা এ সী অসিগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা অথনবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং য়াওনা মেদিকেলগী পোৎলম কয়া তোঙান তোঙানবা ক্লবশিং অমদি ওর্গনাইজেসনশিংদা খূৎশিন্নখ্রে।

এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ক্লব ওর্গনাইজেসন কয়াগা খূৎশম্নদুনা কোভিদ থেংননবগীদমক পায়খৎলক্লিবা থৌরাংশিংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নহারুপ ময়ায় লৈকায়দা লৈবা নহারুপ য়ুথ মোরেল দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন, বামোন কম্পুদা লৈবা চীং-তম সোসিএল ৱার্কর্স য়ুনিয়ন, হাইরেম লৈকায় স্পোর্টস এন্দ য়ুথ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, ইষ্টর্ন য়ুথ ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন, বামোন কম্পু অৱাং লৈকায় অমসুং ৱাখ য়ুথ ক্লবতা কোভিদ থেংননবগীদমক অথনবা ওক্সিজেন সিলিন্দর, ওক্সিমিটর, পি পি ঈ, হেন্দ সেনিটাইজর, হেন্দ গ্লোব অমদি মাস্কনচিংবা মেদিকেলগী পোৎলমশিং অদু খূৎশিন্নখিবনি।

তোঙান তোঙানবা ক্লব অমদি ওর্গনাইজেসনশিংদা মেদিকেল পোৎলমশিং অদু খূৎশিন্নরদুনা এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা হায়খি, হৌজিক ফাওবদা ক্ষেত্রিগাও এ সীদা পূন্না ক্লব ২৩দা মেদিকেলগী পোৎলমশিং কোভিদ-১৯ থেংনবদা তেংবাঙ ওইননবা খূৎশিন্নখ্রে। মণিপুর লৈঙাক্লা লায়না লাইচৎ অসিবু থেংননবা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎলি। অদুমকপু ষ্টেট অসিদা কোভিদ পোজিটিভ ওইবা অমদি শিবগী চাংসু ৱাংলি। পোজিটিভ ওইরবশিং হোস্পিটালদা লায়েংননবা বেদ খুদক্তা হেক্তা ফংদবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা এ সী অসিগী মীয়ামগী মরক্তা কোভিদ পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপা মতমদা খুদক্কী ওইনা ফর্ষ্ট এইদ ওইনা ওক্সিজেনশিং অমদি মেদিকেলগী পোৎলমশিং অসি শীজিন্ননবা মতেং ওইনা ক্লবশিংদা খূৎশিন্নবনি। অনাবগী ফীভম হেন্না শোকচিল্লকপা য়াওরকপা মতমদা ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংগী মায়কৈদগী নৎত্রগা লৈকায়গী ওইনা লৈরিবা কোভিদ টাস্ক ফোর্সশিংনা এম এল এগী মোবাইল নম্বর নৎত্রগা হেল্পলাইন নম্বর ৯৩৬৬৪৬৮১১৫দা খুদক্তা পাউ পীবিরকউ। এম্বুলেন্স য়াওনা মথৌ তাবশিং মতেং পাংগনি। কোভিদ থেংনবা হায়বসি লৈকায় লৈকায়গী ক্লবশিংগী চাওরবা থৌদাং লৈ। থবক শূফম নোমফম খঙদ্রবা লায়রবা ইমুংশিংনা খুদোংচাদবা থেংনরকপা মতমদসু ক্লবশিংগী খূৎথাংদা খঙহনবীরকউ, পাংবা য়াবা মতেং পাংনবা হোৎনজগে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

লৌশিং পুক্কে

# খোঙনা চৎপগী পেটর্নশিংগী মতেংনা

## দিমেন্সিয়াগী মখলশিং খন্দোকপদা মতেং পাংবা ঙম্বা য়াই

দিমেন্সিয়া নাহল্লকপগী মরমশিংনা ব্রেনবু তোঙান তোঙানবা মওংশিংদা অমাঙ-অতা থোকহনবা ঙম্মী। ব্রেনদা শোকহনবগী তোঙান তোঙানবা মওংশিং অদু অনাবা মীওই অদুনা চৎপগী মওংদা উৎথোরকপা য়াই হায়বসি ওইথোকপা য়াবরা? তোঙান তোঙানবা দিমেন্সিয়া মখল অনীনা নারবা মীওইশিংনা চৎপগী মওংশিং চাংদম্নরগা চথখিবা ষ্টদি অমনা হায়রিবা ৱাহং অসিগী পাউখুম থিজিনখ্রে।

ষ্টদি অদুগী মরমদা পুথোকপা রিপোর্ট অমদা রিছার্সরশিংনা হায়, অলজাইমর্স অমসুং লেৱি বোদি দিজিজ নারবা মীওইশিংগী তোপ-তোপ্পা চৎপগী মওংশিং লৈ।

লায়না অমনা ব্রেন অমসুং মেন্টেল ফঙ্কসনদা শোকহনবগী মওং অদু য়ুনিক ওইবা চৎপগী মওং অদুদা উৎথোরকপা য়াই। চৎপগী মওং অসিনা তোঙান-তোঙানবা দিমেন্সিয়া মখলশিং দাইগ্নোজ তৌবদা য়াম্না কান্নবা অমদি শেল চঙবগী চাং হন্থহন্নবা মচাক অমা ওইরগনি হায়নসু রিছার্সরশিং অদুনা ফোঙদোকখি।

অহানবা ওইনা চথখিবা ষ্টদি অসিগী মতাংদা য়ুনাইটেদ কিংদমদা লৈবা ন্যাকেসল য়ুনিভর্সিটিগী মেদিকেল সাইন্সকী ফেকল্টি রিওনা মেকআর্দল, পি ঐচ দিনা হায়, হেন্না এক্যুরেট ওইবা দাইগ্নোসিস লৈরবদি মীওইশিং অদুদা নারিবা দিমেন্সিয়াগী মখল অদুগী চপ চাবা লাইয়েং, ক্যের, অমদি মেনেজমেন্ট পুথোকপা ঙমগদৌরিবনি।

দিমেন্সিয়া হায়বা লায়না অসি সিম্পটম ময়াম অমগী অপুনবা মমিং অমনি। মসিদা নীংশিংবা ৱাবা, নুংতিগী তৌরিবা থবক থৌরমশিংদা অকায়বা পীবা লমচৎ-শাজৎকী অহোংবা কয়াসু য়াওরি। দিমেন্সিয়া নারবা মীওই খরদদি করিগুম্বা হীরম অমদা পুক্নীং চঙবা অমদি কন্সেন্ত্রেট তৌবদা অৱাবা মায়োক্লবা, ইমোসন কন্ত্রোল তৌবা ৱাবা, পার্সনেলিটিদা অহোংবা লাকপনচিংবা কয়াসু য়াওরকপা য়াই।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মতুংইন্না মালেম পূম্বদা দিমেন্সিয়ানা নারবা মীওই মিল্লিয়ন ৫০ লৈ। চহী খুদিংগী মীওই মিল্লিয়ন ১০ দা লায়না অসি দিভেলপ তৌরকই। মালেমদা লৈরিবা চহী ৬০ অমসুং ৬০ গী মথক্তা লৈবা অহলশিংগী চাদা ৫ দগীনা ৮ ফাওবদি লায়না অসিনা নাই হায়রি।

নারকপগী মরম খেন্নবগী মতুংইন্না দিমেন্সিয়া মখল কয়া লৈ। মখলশিং অদুগী মনুংদা অলজাইমর্স দিজিজ হায়রিবা অসি অহল ওইরবশিংগী মরক্তনা খ্বাইদগী হেন্না নাই। অতৈ মখলশিং অদুদি লেৱি বোদি, ভাস্কুলর অমসুং ফ্রন্টোটেম্পোরেল দিমেন্সিয়া অসিনচিংবা য়াওরি। মীওই অমদা দিমেন্সিয়া মখল অমদগী হেন্না নাবা য়াই।

অলজাইমর্স দিজিজ অমদি অতৈ কমন ওইবা দিমেন্সিয়া মখলশিংনা ব্রেনদা অমুক ফগৎলক্লরোইদবা মওংদা অমাঙ-অতা থোকহনবগা লোয়ননা অনাবা অদু মতমগী মতুংইন্না অসুম অসুম হেঞ্জিল্লকই। হৌজিকমক্কী ওইনদি প্রোগ্রেসিব ন্যুরোদিজেনেরেটিব কন্দিসনশিং অসিবু ফহন্নবা লায়েং অমত্তা লৈত্রি।

অনৌবা ষ্টদি অসিগী ওইনা মেকআর্দল অমসুং মহাক্কী খোঙলোয়শিংনা অলজাইমর্স অমসুং লিৱি বোদি দিমেন্সিয়াদা মীৎয়েং থমখি। মখল অনীমকসিদা দিপোজিট তৌদুনা লৈবা টোক্সিক প্রোটিনশিংনা নর্ভ সেলশিং নৎত্রগনা ন্যুরোনশিং শিহনবগা লোয়ননা অমুক ফগৎলক্লরোইদবা মওংদা ব্রেনবু মাঙ-তাকহল্লি।



ষ্টদি অদুদা চহী ৬০গী মথক্তা লৈবা অহল ১১০ শরুক য়াখি। রিছার্সরশিং অদুনা সেন্সর লিশিংলোমগী মথক্তা য়াওবা ফক অমদা পার্টিসিপেন্টশিং অদুবু নোর্মেল স্পিদতা চৎহল্লম্মী। সেন্সরশিং অদুনা মীওই খুদিংমক্কী চৎপগী মওং মোনিটর তৌবা ঙমহল্লি। মদুদা লেৱি বোদি দিমেন্সিয়া নাবা মীওইশিংগা অলজাইমর্স দিজিজ নাবা মীওইশিংগগী মরক্তা খোঙকাপকী অরাওবা অমদি খোঙকাপ অমা থাংবদা লৌবা মতমদা খেন্নবশিং উবা ফংখি। অলজাইমর্সনা নাবা মীওইশিং অদুনা চৎপগী মওং মতৌদা ইহোং হোংদে। অদুগা মসিগী ওন্না-তৈনবদা লেৱি বোদি নাবা মীওইশিংগীদি খোঙকাপ অমা থাংবদা লৌবা মতম অমদি লাওবা-খূবদা তোয়না হোংখি। লেৱি বোদি দিমেন্সিয়া নাবা মীওইশিং চৎপগী মওংদা চাং পুদবনা মরম ওইরগা তোয়না তুগল্লি।

টিম অদুনা খঙবা ঙমখি মদুদি, চৎপগী মওংদা চাং পুদবা মওং অদু এনালাইজ তৌরগা করম্বা মখলগী দিমেন্সিয়ানো হায়বদু চাদা ৬০ গী চাংদা চুম্না খঙবা ঙম্মী। অসুম্না উৎপা ঙম্বা অসি ষ্টদি অসিনা অহানবনি।

রিছার্সরশিং অদুনা হায়, ষ্টদিগী ফাইন্দিং অসিনা মাইল্ড ওইবা অলজাইমর্স দিজিজ অমসুং লেৱি বোদি দিমেন্সিয়াগী তোপ-তোপ্পা চৎপগী মওংদু ওন্না খঙদোকপা ঙম্লগনি। অদুগা মসি লায়না খেন্নবগী মতুংইন্না মীওই অদুগী কোগ্নিসনদা পীরকপা ইফেক্ট অদুনা ওইগনি হায়নসু থাজনরি।

মখা তাবা রিছার্স চথদুনা ফাইন্দিংশিং অসি কনফার্ম তৌদুনা লায়না মখলশিং খঙদোক্লবগী কাঙলোন অসি চহী মঙাগী মনুংদা লায়েংবদা শীজিন্নবা য়াহল্লকপা য়াই হায়নসু টিম অদুনা হায়রি।

পনবা য়াবদি য়ু এস দিপার্টমেন্ট ওফ হেল্থ এন্দ হ্যুমেন সর্ভিসেসকী মখাদা নেসনেল ইনষ্টিট্যুট ওফ এজিংনা ফোঙখিবা আর্টিকল অমগী মতুংইন্না দিমেন্সিয়ানা কোভিদ-১৯গী রিস্ক অমসুং সিভিরিটি হেনগৎহল্লি হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা হেন্না মমুৎ তানা খঙনবগীদমক 'লৌশিং পুক্কে'গী মতুং তারকপদা লাক্কদবা ইস্যুশিংবু ঙাইমিন্নসি।

## রেল্লি পাঙথোকচররোই

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) : বাইসাইকলস রাইদরস ক্লব থৌবালনা শীন্দুনা চহী খুদিংগী পাঙথোকপা ৱর্ল্ড বাইসাইকল দেগী থৌরম হন্দক চহীগী ওইনদি মরিশুবা ৱর্ল্ড বাইসাইকল দে ২০২১ অসি হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী লুরবা ফীভম অসিনা মরম ওইরগা রেল্লি পাঙথোকচররোই। মসিগীদমক মমাঙদা বাইসাইকল রাইদরস ক্লব থৌবালবু নুংশিবীদুনা রেল্লি য়াওবিখিবা ভারত রাইদরস পরিষদ অমদি লায়ন্স ক্লব ওফ থৌবালগী মেম্বরশিংনা ৱারৌবীদনবা হায়জরি হায়না বাইসাইকল রাইদরস ক্লব থৌবালগী কনভিনর সমোম রঘুমনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## মীৎয়েং চঙলগনি

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) : কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংদুনা অসুক ৱারবা মতম অসিদা মীয়ামগী খল্লগা হাংদোকপীরিবা প্রাইভেট হোস্পিটাল ২ হায়বদি ইমা হোস্পিটাল অমদি সন হোস্পিটাল অসি অথুবদা মীৎয়েং চঙলগনি হায়না ককচীং দিষ্ট্রিক্ট টাস্ক ফোর্সকী কনভিনর এম মনিশ্বর খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হান্নদগী টাস্ক ফোর্স অসিনা অৱা অনা তারবা কোভিদ পেসেন্টশিংদগী শেল কা হেন্না লৌবীগনু হায়দুনা লাকখি। অদুগা অৱাবা তারবা মীয়ামগী খনবীদুনা ডাক্তর, নর্স, ষ্টাফ, পুলিস, সী এস ও ময়াম্না থৱায় খূবাক্তা হাপ্পুনা মীয়ামগী পুন্সি কন্ননবা হোৎনদুনা লাক্লি। চিরবা তাঞ্জা অসিদা খুদোংচাবা লৌদুনা ডাক্তরশিংগী চার্জ অসিসু খরা হেনব্রা খল্লি। মসিদা লৈঙাক্লা অকনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## মণিপুরদসু পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস): ৱেষ্ট বেঙ্গোলদা টি এম সীগী এক্টিভষ্টিশিংনা লায়রবা ৱার্করশিং খুদম ওইনা ঙা ফাবা, ফি শাবা, ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং, প্লান্টেসন ৱার্করনচিংবদা তৌখিবা মখল কয়াগী ভাইওলেন্স, মশা মশাগী য়ূমদগী তান্থোকখিবা অমদি শিন্মী ২৬ শিখিবা অসি বি এম এসনা হকচিন্না লৌবগা লোই। হায়রিবশিং অসি থা অমা হেল্লবা ফাওবদা নোর্মেল লাইফতা হঞ্জিল্লক্ত্রিবা অসি বি এম এস মণিপুর ষ্টেটনা য়াম্না হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা ইন্দিয়া পূম্বদা ওবজার্ভ তৌগদৌরিবা বেঙ্গোল সোলিদরিটি দে অসি মণিপুরদসু মপূং ফানা পাঙথোক্কনি হায়না ভারতিয়া মজদুর সঙ্ঘ (বি এম এস) মণিপুর অমসুং নাগালেন্দগী ইন চার্জ এন তোম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, বি এম এসনা চমজরবা শিন্মীশিংদা চথুরিবা মখল কয়াগী ভাইওলেন্স অসি হ্যুমেন রাইটস অমসুং ফন্দামেন্টেল রাইটসপু খোঙ্গাওনবনি হায়না লৌই। বি এম এস মণিপুর ষ্টেটনসু হায়রিবা নুমিৎ অসি ওবজার্ভ তৌবগা লোয়ননা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং গভর্ণরদা ভাইওলেন্স তৌখিবা টি এম সীগী এক্টিভিষ্টশিংগী মথক্তা খুদক্তগী এক্সন লৌননবা মেমোরেন্দম অমা থারগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# নোংজু থা য়ৌদ্রিঙৈদা লম্বী শেমজিনবীনবা মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) : মোইজিং লমখাই-ইকোপ তাবা লম্বী অসি নোংজু থা য়ৌদ্রিঙৈদা শেমজিনবীনবা মোইজিং ফার্মরস দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন্না মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

মোইজিং ফার্মরস দিভেলপমেন্ট এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম দি য়ুনুস খাননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মোইজিং লমখাই-ইকোপ তাবা লম্বী অসি নোংজু থাসু নত্তনা লৌ লীংবা য়ারে। মোইজিং খুলগী য়াম্না মরু ওইরিবা লমখাইদগী ইকোপ তাবা লম্বী অসি মোইজিংদা নত্তনা থংনবা খুলশিংগী ওইনসু য়াম্না মরু ওইবা লম্বী অমনি। লম্বী অসি নৌনা শেমখিবা মতম অদুদা লম্বীগী মথৌ তাবা য়াল্লবা লম পূম্নমক লম্বীগা তাইনবা লৌপুশিংনা কৎথোকখিবা ঙাক্তনি। খুল অসিদা নত্তনা থংনবা খুলশিংসু লম্বী অসিদা ফার্ম, লৌউ-শিংউবা, য়ূম কৈ তাদুনা মরু ওইনা শীজিন্নরি। লম্বী অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি নোংজু থা মতমদা করি ওইগদগে হায়বদু খল্লুবদা য়াম্না পেন্দে।

শাংখ্রবা লম্বী অসিদা ওইরিবা ফীভম অসি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং অমদি লম্বী অসি স্কিম অমগী মখাদা ইরায় লায়না শেম্বা ঙল্লবা খুঙ্গং অসিগী মরী লৈনবশিংনা য়েংদুনা লৈথোক্লিবা অসি লাইবক থীবনি। খুলগী মচিন চৎপা মীওইশিংগী মরক্তা মখোয় খরনা লম্বী অসি শেল্লে, নূং থারে, গাড়ীনচিংবা থৌদুনা চৎপা য়ারে, য়াম্না নুংঙাইরে হায়না ফোঙদোক্লরবসু ওইরিবা ফীভম অসিদদি মীয়াম্না অঙকপা পোকই। নোংজু থা য়ৌদ্রিঙৈদা অথুবদা মরী লৈনবশিংনা লম্বী অসি শেমজনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# পাউচে অসিগী ১৮শুবা লিটরেরি ক্যুইজগী ৱিন্নর কৈশাম মেমিনা ওইখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচ এন এস) : পাউচে অসিগী লেপ্তুনা চৎথরকপা লিটরেরি ক্যুইজগী ১৮শুবা তাঙ্ককী ৱিন্নর ময়াং ইম্ফাল বাজারদা লৈবি কৈশাম মেমিনা ওইখ্রে।

ৱিন্নর ওইখ্রবী কৈশাম মেমিনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখিবদা হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৮গী ৱিন্নর ওইরকপদা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। ক্যুইজগী থৌরম অসিনা মতম অসিগী লায়না লাইচৎ কয়ানা য়ূমদগী মপান থোকপা য়াদনা লৈরিবা তাঞ্জা অসিদা ঙাইহাক্তং ওইরবসু পোৎথাবা ফংহল্লি অমদি ৱাখল-লৌশিংসু ওই। পাউচে অসিগী থম্মোয়গী পাউদম (হুইয়েন ইন্দু), কলমনিষ্ট নোংমাইথেম প্রমোদিনি, মখোন মনি মোংসাবা, নানি অমদি নিংশিংবগী থোংনাওদা অসিনচিংবা পাবা ফংজবা য়াম্না নুংঙাই। মতম কুইনা মীয়ামগী



থৌগল তৌবিখো।

মসিগা লোয়ননা ঐনা মরি লৈনবা ওথোরিটিশিংদা ৱাফম অমা-অনীদং থমজনিংই মদুদি নফসাগী কার্দতা য়াওরিবসি চেং খক্তরা? চীনি, আতা, অচাথাউ, কেরোসিন, হৱাইনচিংবদি য়াওদ্রা ? পূম্নমক অসি শুনা য়েন্দ্রবসু মখল অনী-অহুমদি হাপকৎচহন্নিংই। লনাইগী ওইনা ভোৎকা মরি লৈনবা মানবা পোৎয়েন্দনা আইটম অহুম-মরিদি শুই। সেন্ট্রেলগী স্কিম অসিদনা শুদ্রিবা অসি শুহন্নিংই। মরমদি মতম অসি শুফম-নোমফম খঙদবা, মী পুনবা য়াদবা পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা য়াম্না ৱানরে। তোলোপ চাবা ইমুংগীদি খরা ফরম্বসু য়াই। অদুবু নোংমগী শুরগা চাজবা ইমুংশিংদদি তশেংনা য়াম্না ৱানরে। মরম অদুনা মরি লৈনবশিংনা আইটম মখল অনী-অহুমদংগা শোয়দনা হাপকৎপীনবা হোৎবিয়ু।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা ৱেভিং কার্দ পাইবা অমদি পাইবী কার্দ হোল্ডরশিংগী ওইনা লং অহোংবা মমলদা লৈবগী খুদোংচাবা ফংহনবিয়ু। হান্না লৈরম্বসু য়াই অদুবু চৎথোক-চৎশিন য়াদবনিনা মনাক নকপদা লৈবা দুকানশিংদগী লৈবগী খুদোংচাবা ফংহনবিয়ু হায়জরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখি।




HL/P/9004/3-12

# অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) : মালেমদা মণিপুরবু মশক তাক্লিবা শগোল কাংজৈ (পোলো) বু চাওখৎনবা অমদি মণিপুর পোনি (মৈতৈ শগোল) বু য়োকখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা নাগামপাল পোলো ক্লবকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা খোইস্নাম লুখোইনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা মণিপুর পোনি এন্দ পোলো প্লেয়রস ৱেলফ্যের এসোসিএসন (এম পি এন্দ পি পি দব্লিয়ু এ) না অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি গিৎচন্দ্র মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, নাগামপাল ফৌগাইশাংবম লৈকায়দা লৈবা হৈস্নাম লুখোইনা পোলোবু চাওখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্বা অমদি পোনি য়োকখৎনবা হোৎনবিরম্বশিং নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি। মহাক্না লৈখিদবা অসি মেনশিনবা ঙল্লরোইদবা মাঙজবা অমনি। লৈখিদব্রগী থৱায়না তাইবঙ শেম্বা মপুগী মনাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈবা ওইরসনু। মহাক্না লৈখিদবা অসিদা নাগামপাল পোলো ক্লব অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু এম পি এন্দ পি পি দব্লিয়ু এনা শরুক য়াজরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

### মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাল্লি

#### কোভিদ লায়নাদি নানিংদবা মাস্ক উপ্পা, সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকপদি পামদবা মীওইশিং ইকায়নিংঙাইহনি



কোভিদনা নারে খঙনা-খঙনা ইকায়বদগী অমদি কিবদগী লোৎশিন্দুনা লৈরবদি ইশাগী পুন্সি মাঙজবা নত্তনা নুংশিরবা ইমুং মরি মতা, মরুপ-মপাং কয়াগী পুন্সিসু মাঙগদৌরিবনি। কোরোনা হায়বা অসিদি ইতোমতা নাজগে হায়বা য়াবা নত্তে, মসিদি য়াম্না থুনা মী অমদগী মী অমদা শন্দোকপা ঙম্বা শাথিরবা মহীক অমনি। মসি পাপ তৌরুবগী মহয় নত্তে। অদুনা ইকায়নিংঙাই অমদি কীনিংঙাইসু ওইদে। মরমদি নাহল্লোই হায়রবদি ইরাই লাই। মরম চাদনা মপান থোকপীদবা, মীগা পুনবিদবা, মপান থোকপা তারবসু মাস্ক উপ্পিবা, মী অমগা-অমগা ফিট ৬ লাপ্না লৈবিবা, খুৎ-শা তোইনা হাম্বিবা অসি ওইরবদি কোভিদনা নাবা ঙম্লোইহায়না দোক্তরনা হায়রিবনি। অদুবু কোরোনা নানিংদবা মাস্কতি উপনিংদবা, মাস্ক উপ্তুবগী পৈশা থিবা মীওই কয়া লৈরি। মসি য়াম্না ইকায়নিংঙাইহনি। ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নদুনা লৈঙাক্লা পীরিবা চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্লা চৎতুনা কোরোনাবু য়াম্না লায়না মায়থিবা পীমিন্নসি। কোরোনা লৈতবা লৈবাক অমা ওইহনবদা ঐখোয় পূম্নমক্কী চাওরবা থৌদাং লৈ। পাল্লিবা লৈঙাক অসিনসু করি তৌবা য়াবগে হায়বদু খনবিদুনা অতোপ্পা লৈবাক্লা মতৌ তমহনবা য়াবা থবক তৌহন্নিংই।

❒ এস কে নাওরেম, শিংজমৈ

#### ইরমদম অসিদগী কোভিদ-১৯ মরুফংনা মুথৎনবা ভেক্সিন মীপুম খুদিংমক্না অথুবা মতমদা কাপথোকপীয়ু



শ্রি শ্রি গোবিন্দ, মহাবলি, বিজোয় গোভিন্দ, নিত্যানন্দ মহাপ্রভু, নরসিংহ মন্দিরনচিংবদা নুমীৎ খুদিংগী চাকলুক্না লোয়ননা ধুপ-থাউমৈ, পুং-ঝান, মোইবুং, কাংশিগা য়াওনা থৌগল তৌরম্বা অদু কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা তৌদ্রে হায়বা য়াই। কনাগুম্বা অমা লৈতবদা লৈতবগী পাঙথোকফম থোকপা মথৌ পাঙথোক্তবগা মান্নরে। লুহোংবা, নাহুৎ-নারেং, ইপান থাবা, চাকউম্বা, য়ূম শঙ্গাবগী থৌরম মমি শামখ্রে। লাই হরাউবগী ধোন বেনগী মখোল, মাইবগী লাইবাউ, অয়ূক্কী পেনাগী য়াকাইরোল তাখিদ্রে। মীপুম খুদিংনা কিনা ইকায়খুম্না অথোইবী লাইরেম্বীনি খন্না ইরাৎলিবা কালিমাই ইমাগী সেভা ফাওবা লেপখ্রে। অদুনদি কোভিদ-১৯ লাইচৎ কয়াদা ময়াই কনখ্রবা, মাবু ঐখোয়গী নাক্তগী লৈতনবা হাৎপা তাই। মাবু ঐখোয়না মতম চানা হাৎপা ঙমহৌদ্রবদি মীওইবা ঐখোয় ওইনা মুৎখিবা শোয়দ্রে। মরম অসিনা কোভিদ-১৯গী মহীক হাৎনবা অমত্তা ঙাইরবা হীদাক্তি কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনননা ওইবনা অথুবা মতমদা মীপুম খুদিংমক্না কোভিদ ভেক্সিনেসন তৌথোকহৌবা মথৌ তাই। ভেক্সিনেসন তৌদুনা ইরমদম অসিদগী কোভিদ-১৯ মরু ফংনা মুথৎলসি হায়জরি।

❒ এল ইবোমচা, তাউথোং

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩।০৬।২০২১ ইং, শগোলশেল; কালেনগী ২৪ নি পানবা।

মেষ : লন ফংবা, লৈফম মফম অমদি ৱা তাননা য়াইফবা ফংজৌ হায়বা নুমিৎনি। নচা ননাই অমদি মীৱা থাজবনা য়েক্লবা চাওখৎপদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ : কোক শাবা খরা লৈরসু অমদি মরুপ মপাংনা য়েংশিনবা লৈরসু লাইবক ফবনা নক্লবগী মতেংনা থৌ পাংগনি। থৌনা ফুদোকপা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন : য়েৎনবা অমদি লাংতক্লবনা মাঙজবা লৈগনি। অদুবু হকচাং নুংঙাইবা হেনগৎলনি, মরুপ মপাংগী মতেং লৌবা য়াগনি, মীংচৎ হেনগৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- খাংবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট : নীংবা মপা চারোই, হকচাংসু নুংঙাইবা ৱাৎকনি অমদি পংবদগী শেল মাঙবগী নুংঙাইতবা লৈবা য়াই। থাজদনা নুংঙাইবা/শেলসু ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা লৌনিংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

সিংহ : ঙসিসু থোইনা লাইবক ফগনি। নাইতোম ৱারেপ লৌবা য়াগনি, মীনা লাকচবা ঙমলোই, মীয়ামগী মতেং ফংবা অমদি নীংবা থুংবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা থোইনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

কন্যা : মীচং হেনগনি, লন চংগনি, থৌনা ফবা হেনগনি অমদি নক্লবনা তেংবাংবীগনি। অদুবু হকচাংগীদমক চেকশিনবীয়ু অমদি ৱাফংনবা য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

তুলা : চোপ্পা য়াবদৈ কোকচদুনা মীংচৎ ওইনা ফংজবা অমদি লৌশিং ফুদোক্না থৌপাংবা ঙম্বা অফবা নুমিৎনি। চরাংনরদি মতম মাঙবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবা তাবীরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : অৱাবা খরা মায়োক্লরসু ওইজবদি শোয়দনা ফংগনি অমদি মীয়াম্নসু চানবীগনি। লৌশিং মপুং ফাবা ৱাৎলি-ওজা-গুরুগী পাউতাক লৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- খরদি ফগৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/ফৌ।

ধনু : লাইবক ফবনা অফবা মফম কঞ্জবা ঙমগনি অমদি নথক থোংবনা চানবীগনি। অদুবু হন্থবা লোয়ননু অমদি ফিংলদি শোকপনবা নংবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর : খোইরাংবা অমদি ফত্তবা মরুপ্না ইনশিনবা লৌবনা লন মাঙজবা লৈগনি। অঙম্বনা তাথি অমদি অফা অপুন্নবা লৈ। ঈংথনা য়াকা য়েংনা লৈয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী- তহাগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কুম্বা : নীংজবা থুংবা, হরাওবা অমদি য়েক্লবা লৈরম্বা ময়েং তাখিবা নুমিৎনি। লৌশিং ফুদোকপদি ঙমলোই অমদি থিবা হুম্বা কনবনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন : লেপ্পা লৈতনা হোৎনজবগী কান্নবা, নাইতোম ৱারেপ লৌবা ঙম্বা, য়েক্লবা হন্থবা অমদি মীয়াম্না থাগৎপিবা লৈ। চরাংনরদি ওইজবা মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।